দিমান্দ ৩ তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস):

মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী মায়কৈদগী কোলেজশিংগী অনৌবা একাদেমিক সেসন হৌদ্রিঙৈদা থবক্তা পাঙথোকপীয়ু হায়দুনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ অহুম লৈঙাক্তা তকশিনখ্রে। দিমান্দশিং অদুদি রেসনেলাইজেসন (সবজেক্ট-টিচর-ষ্টুদেন্ট), হায়র এদ্যুকেসনগী রিক্রুটমেন্ট মাঙজৌননা লোইশিনবা অমসুং কোলেজশিংগী রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পু হায়বনচিংবনি। দিমান্দশিংসি দেসামগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

পোজিটিভ কেস...

লামায় ১গী মখা... কাংপোকপী ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি। মীওইশিং অসি লৈখিদ্রবা মফমশিংনা রিমসতা ২, জেনিমস ৫, শিজ হোস্পিটাল ২, রাজ মেদিসিটি ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ১ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১১ অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১০৮৫ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৫৫নি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৩৪৪না হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা মীওইশিংনি। মীওই ৮না রিমসতগী দিসচার্জ তৌখ্রগা মীওই ৯না জেনিমসতগী দিসচার্জ তৌখিবনি। অদুগা মীওই ৯৯না কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রগা মীওই ১৯৫না কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক নুমিৎ খুদিংগী অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরকপা অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৬,১৭১ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ৬২,৩৬৩নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৮০৮নি। লায়না অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৫,৯১২নি। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৮০৮নি। অদুগা মীওই ৫২,১৪৮না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি হায়রি। পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ঙসিসু ৫৪৯ থেংনখিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৯,১৭৪শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩৯ খক্তনি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ৯,১৩৫না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংগী চাংনা চাদা ৮৪.৪৯দা লৈরি হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫,১০,৬৪৪শুরে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.628224
US Dollar	74.137132
British Pound	103.241067
Australian Dollar	56.253491
Chinese Yuan Renminbi	11.466306
Japanese Yen	0.669417
Malaysian Ringgit	17.820985
Singapore Dollar	55.227380
South Korean Won	0.065524
Saudi Arabian Riyal	19.769902
Thai Baht	2.327789

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47357.00
Mumbai	–	Rs	47550.00
Delhi	–	Rs	47356.00
Kolkata	–	Rs	47720.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 17/05/21
VALID FROM 10/05/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 19/05/21
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 8794191632
NAOREM LEIKAI
7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9862791279, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -7085175483*
TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/
8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c
9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837/ 9089542175
OTHER AREA 7085175483
Enquiry no. 9856134465.

পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়দগী নিংচাদলেন লাইশ্রম (২২) অপোকপা এল রাই কুমার থা অসিগী ২৮ ফাওবা পুলিস রিমান্দ লৌখ্রে।

সোসল মীদিয়া লান্না শীজিন্নরম্বা...

লামায় ১গী মখা... কোঞ্জেংবম অরুনকুমার এলিয়জ ফ্রানকি (২৯) অপোকপা মনি, শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দগী ভিক্টর সোরোকখাইবম এলিয়জ ঙোঙো (২৮) অপোকপা এস চাওবা, শিংজমৈ চীংঙামথক্তগী খুরাইজম সুরজকান্ত এলিয়জ ভেকো (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ বিনোদ, শিংদা কদাংবন পার্টৱান্দগী সোইবম সিংহজিৎ (২৮) অপোকপা এস জুগিন্দ্রো, তোপ মোইরাং কম্পুদগী ওইনাম ননাও (৩৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও হাইমো য়াওনা জুবেনাইল ওইরিবা অঙাংশিংগনি। মসিগী মথক্তা সী সী পি এসনসু মীওই ৮ অমগা ফাগৎতুনা পূন্না মীওই ১৬ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

এস পিনা মখা তানা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং অসি চুম্না শীজিন্নবীয়ু। থৌদোকসিদা চেন্নরম্বশিং লোইনমক ফাদুনা ফংফম থোকপা চৈরাকশিং পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নোমিতা খোংবান্তাবমদা লংদাইগী অখন্নবা চনুরা পাউমী মীংথোল...

লামায় ১গী মখা... খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নখিবনি।

থৌরম অসিগী থৌবু ওইখিবা ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফমগী প্রসিদেন্ট অমসুং উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইচৌ পুরেল প্রোফেসর এন জি কাংজিংয়া মঙাংনা হায়, ঙসি হায়বা নুমিৎসি মালিয়া কুমসিং ৩৪১৮গী ইঙাগী থাবুম থানিলনি। চহী লিশীং কয়াদগী পাঙথোরল্লবা সনামহী চেঙ হোংঙবা নুমিৎনি। ইন্টরনেসনল সলাই পুন্সিফম হায়বসি বাংলাদেশ, য়ু কে, ম্যান্মার, সাঊথ অফ্রিকা, ফিলিপিন্স, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ু এস এনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা মীতৈশিংনা য়ূম-য়ূমদা ঈরাৎলিবা লাইনিংথৌ সনামহীদা চেঙবী হৈদুনা কৎলগা মালেমদা লৈরিবা সনামহী লাইনীং চৎপা পুন্নমক্কী য়াইফনবা থৌনিজরিবা নুমিৎনি।

চেঙবী চেঙবা হৈদুনা শোল্লিবা লাইশোল অসি অহোঙলোন হায়বা অখন্নবা লাইশোন লাইরোলনি। হান্না খঙলমদবা কয়া লৈরম্বদু হৌজিক্তি শন্দোরকপদগী তপ্না তপ্না অমাইবা-অমাইবীশিংসু খঙনরল্লকবনি। সলাইলেন শিদবগী শঙ শাদুনা কনাসু লাৎনদে। অদুবু মচানুপা অনীগী মনুংদগী পাখংবনা কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা ফম্বাল লাংহল্লে অদুগা মচানুপা - সনামহীনা ইমুং খুদিংগী ফম্বাল লাংদুনা ফল্লে। ফম্বাল অনীমক মচানুপা অনীদা পীথোল্লবা মতুংদা য়ূমগী মরু ওইবা উরেপ (ময়াম্না যাত্রা হায়নবা) অসিদা লাইনিংথৌ সলাইরেন শিদবনা থুপ্তুনা লৈখ্রে। অদুগুম্বা নুমিৎ অসিবু সনামহী চেঙ হোংঙবা হায়দুনা সলাইলেন শিদবগী মফমদসু চেঙ হৈদুনা মৈরা কৎপনি। মচাগী নুমিৎ ওইবা মরম্না মপা অমা ওইনা য়াইফবা পীবা নুমিৎ ওইবা অমদি মচাবু নীংজরিবা পুন্নমক্তা য়াইফবা পীনবগীদমক সলাইলেন শিদবা অতিংকোক মরু শিদবগী পুয়াদা য়াওবা মীতৈশিং শক শোনবনি হায়খি।

লাইথৌ পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা সনামহী লাইনীংদা থৱায় য়াওজবা, ইনাৎকী-লাইনীংগী অমদি ত্রেদিসনগীদমক মাঙশিল্লক্লিবা চৎনরোল, ঐখোয়গী মৈহৌরোল পুৱারীদা থৱায় য়াওনা অসিগুম্বশিং অসি মাঙদনবা হোৎনবদা মীদিয়াগী লম্দা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মনুংদা ইচানুপী অমখক্তনি হায়রদুনা নোমিতা খোংবান্তাবমদা ইকায়খুম্নবা অসি ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পীবনি হায়খি। খুদোল তম্লিবা ফিশিং অসিসু মীতৈ চনুরা অমনা শেৎতবা য়াদ্রবা অমসুং ইন্দবা য়াদবশিংনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সলাই পুন্সিবগী মশাগী চহী ১০৬শুরবা নিংথৌখোংজম ইবোবীগী য়ূমদসু চৎতুনা লেংয়ান ফি অমসুং মোজ ফুরিৎনচিংবসু খুদোল তমখি। অন্দ্রোদা শাবা লশিংনা নাইদুনা থাবা ফৈজোম য়াওনা শঙ্গোম, চা-চিনি অমদি হৱাই মখল অহুম য়াওনা ঘি অমসুং আটা অমদি শেলসু খুদোল তমখি।

অমরোমদা, ঙসিগী নুমিৎ অসিগী থৌরম উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনসু শীন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ অমুবীনা লুচিংদুনা মালেমগী লায়না লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক লাইগী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসি লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনসু হয়িং খোংবান উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা সনামহী লাইশঙদসু চেঙ হৈদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাবতি সেঞ্জমনা খাগেন্দ্বগী সনা হাক্তক্তা মচানুপা মাঙখিবদা সনামহীগী লাইকোক ওইরম্বগী লাইফাওদগী হেন্নো চেৎশিন্না লৈবাক নিংথৌগী অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা পাঙথোরকপা থৌরমনি হায়খি।

অমুকোনা শোখরবা ইমুং ৩,৭৩৬তা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং...

লামায় ১গী মখা... কন্সটিট্যুএন্সিগী খুল অনী - মৈতৈ পাঙলগী খুল পাওবিতেক্তা য়ূম ২০ অমদি মৈতৈগী খুল টোপ উপোকপীদা য়ূম ৩০দা লৈরিবা লায়রবশিংদা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। হায়রিবা খুল অনী অসিদা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌ অমদি সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন (ইন চার্জ) কোইজম সন্তোসসু শরুক য়াখি হায়রি।

মৈতৈ পাঙলগী খুল পাওবিতেক্তা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপদা সলান য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস ৱাই দি ও) পাওবিতেক্তা মতেং পাংখি অদুগা মৈতৈগী খুল টোপ উপোকপীদা হীদাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদনা টোপ উপোকপী সোসল য়ুনিয়ন (টি য়ু এস য়ু) না অমুকোদা মতেং পাংখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ওইহল্লকখিবা ফীভম ময়ামসিনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা মৈচাক মায়োক্নরিবা মীওইশিং থিদুনা মখা তানা অমুকোনা লমদমসিগী লূপ কয়াগা খূৎশম্নরগা মতেং পাংবগী থবক চথখিগনি। হৌজিক ফাওবদা অমুকোনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা খূৎশম্নরগা অৱাবা মায়োক্নরিবা য়ূম ৩,৭৩৬কী মথক্তা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। অমুকোনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা খূৎশম্নরগা হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা ওইহল্লিবা অৱাবগী ফীভমশিং অসিনা শাথীনা চৈথেং পীবদগী হীরম কয়াদা খুদোংচাদ্রবা লায়রবা য়ূম লিশীং ১০দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংনবা পান্দম থল্লিবনি। মসিদা মণিপুরগী পুকচেল চাওরবা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু অমদি কোওপরেসন পীবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাংসু অমুকোনা এ এম এম দি ও অমদি য়ুনাইটেদ মৈতৈ পাঙল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম পি ও) গা খূৎশম্নরগা ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা খুল ৪ - কাইরং, খোমিদোক, পোরোম্পাৎ অমদি ক্ষেত্রিগাওগী মপুরোইবা লৈখিদবদগী শোখনা লৈরিবী অমদি হেন্দিকেপ ওইরবশিংগী মনুংদা খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা অমদি কা হেন্না লায়রবা ইমুং পূন্না য়ূম ১০১ খনগৎতুনা চেঙ, আলু, তিলহৌ অমদি থুম মতেং পাংখি। তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, এ এম এম দি ওগী প্রসিদেন্ট এফ এম ননোৱর আলি অমদি য়ু এম পি ওগী প্রসিদেন্ট অদিল য়ূমখাইবমনা শরুক য়াখি হায়রি।

অমুকোনা এ এম এম দি ও অমদি য়ু এম পি ওগা খূৎশম্নরগা মৈতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা য়াম্না হেন্না শোখরবা ইমুংশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা মখোয়দা ঙমজবা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবগী খোঙথাং অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না কোওপরেসন পীবিয়ু। অমুকোনা এ এম এম দি ও অমদি য়ু এম পি ওগা খূৎশম্নরগা তোঙান তোঙানবা মৈতৈ পাঙলশিংগী খুল কয়াদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী য়ূম খরা খরা খনগৎচরগা পীজরিবা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অমদি য়ূম অমদা চেঙ কিলো ৪, আলু কিলো ২, তিলহৌ কিলো ১ অমদি থুম পেকেট অমনি হায়রি।

কাইরংগী মৈতৈ পাঙলগী শোখরবা য়ূম ২৫দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপদা প্রোগ্রেসিভ য়ুথ এসোসিএসন (পি ৱাই এ) গী থৌমীশিংনা মতেং পাংখি অদুগা খোমিদোক্কী য়ূম ৩০দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা খোমিদোক এথলেটিক এন্দ স্পোর্টিং ক্লব (কে এ এস সী) গী থৌমীশিংনা মতেং পাংখি। পোরোম্পাৎকী শোখরবা য়ূম ১১দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকপদনা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সী) গী থৌমীশিংসু য়াওখি। ক্ষেত্রিগাওগী ওইনা লৈকায় ৩- ক্ষেত্রি অৱাং, ক্ষেত্রি ময়ায় অমদি ক্ষেত্রি বেঙ্গুনগী য়ূম ৩০দা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবকী থৌমীশিংনা মতেং পাংখি হায়রি।

অদুবু মখোয়না মফম কয়াগী লায়রবা মীয়ামদগী মরম চাদনা ককখিবা/মৎখিবা চেঙশিং অদু মফম মফমদুগী মীয়ামগা য়ানবা মওংদা য়েন্থোক্ত্রবদি অদুগুম্বা চেঙগী এজেন্টশিং অদুগা অমুকোগা ৱারী শারকপগী তাঞ্জা লৌরকখিগনি। লৈকায় লৈকায়গী মীয়াম্নসু মখোয়দগী মরম চাদবা মওংদা এজেন্টশিংনা ককখিবা চেঙ অদুগী মতাংদা চুম্না রেকোর্দ তৌশিল্লগা থমজিনবীয়ু। কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিগী অসুক লুরবা মতম অসিদা মাগী শাগৈ নাতৈগী, কৈরোই লৈকায়গী, লায়রবা মীয়ামদুদগী চেঙ মৎলিবদু খ্বাইদগী চাওবা পাপ অমা তৌবনি। মদুগুম্বা অরানবা তৌবা এজেন্টশিংদু এম এলএ/ মিনিষ্টরশিংনসু কনখৎপীগনু অমদি লৈকায় মীয়াম্নসু শক-মায় য়েংবীগনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

জেলদা থম্লক্লিবা চহী ৫০শুরবা ওজা অমনা হায় ...

লামায় ১গী মখা... ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাক কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর ৩১ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখ্রবনি। পোক্সো কোর্ট অসিনা মহাক্কী প্রেয়র অদু মমাঙ থাগী ১৮দা লৌখৎলগা মদুগী হিয়ারিং পাঙথোকখি অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা হিয়ারিং অদুগী ওর্দরনা মে ২০, ২০২১দা লাউথোক্লদুনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদু দিসমিস তৌখিবনি।

স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদুবু দিসমিস তৌরবা মতুং মহাক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মহাকপু বেল পীবিনবা অমুক হায়জরকখিবনি। হায় কোর্টতা মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা বেল এপ্লিকেসন অদুগী নম্বরনা ১৬ ওফ ২০২১নি। মহাক্কী প্রেয়র অদু কোর্ট অসিগী জষ্টিস এন ভি মুরালিদরননা থা অসিগী ২১দা লৌখৎতুনা খন্নবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল এ পিটরনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী য়াওনা রেসপোন্দেন্টকী কাউন্সেল অনীমক্কী সবমিসনশিং তাখি। লোয়ননা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী পিটিস্নর জোনসন অরোকিয়াদাসনা বেল পীবিনবা ফাইল তৌরক্লিবা মহাক্কী পিটিসন অসিগী ওবজেক্সন ফাইল তৌনবগী মতম কোর্টতা পীবিয়ু হায়জখি। রেসপোন্দেন্টকী কাউন্সেলনা তৌরকখিবা প্রেয়র অদুদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলনা অয়েৎপা পীখিদে। ফীভম অদুদগী কোর্টনা পিটিস্নর জেনসন অরোকিয়াদাসকী বেল এপ্লিকেসন অদু মথং থাগী ৮দা খন্নবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা হায়রিবা নুমিৎ অদু ফাওবগী মনুংদা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদগী কাউন্টর এফিদেভিট (ওবজেক্সন) ফাইল তৌরক্ত্রবদি কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী তৌরকপা অর্গ্যুমেন্টশিং তারগা নুমিৎ অদুমক্তদা থোকফম থোকপা ওর্দর অমা পীরগনি হায়খি।

মতাং অসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি, হায় কোর্ট য়ৌনা বেল পীবিয়ু হায়জরক্লিবা পিটিস্নর ওজা অসিগী মথক্তা মোরে পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎলিবা কেস অসিনা তৌরিবা চার্জশিং অদু পিটিস্নর অসিনা কম্মিট তৌখিব্রা হায়বা ৱাফমসিনি। মরমদি অহানবদা পিটিস্নর অসিনা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মহাকপু বেল পীবিনবগীদমক ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী সেক্সন - ৪৩৭কী মখাদা তৌরকখিবা প্রেয়র অদু খন্নবদা মহাক্কী মায়কৈদা এদভোকেট অহন্থেম গোলিনা লেপখি। অদুগা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদনা কোর্ট অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এ নিলচন্দ্রনা লেপখি।

অদুগা হিয়ারিং অদুদা স্পেসল পি পিগী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌকিবা ৱাফমশিংনা কেস অসিগী মতাংদা পিল্লক্লিবী নুপীমচা অমগী মমানা (মমিং পঞ্জদ্রে) এপ্রিল ১৭, ২০২১গী অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

রিপোর্ট অদুদা ফোঙদোরক্লিবনা মহাক্কী মচানুপী অসিবু সেক্স্যুএল ইন্টেনসনগা লোয়নন ওজা ওইরিবা মীওই অসিনা মেন্টেল্লি হরাস তৌবীরে অমসুং পিল্লক্লিবী মচানুপী অসিদা অথেংবা নুমিদাংগী মতমদা মহাক্কী ফোটো থারক্লবা হায়রে হায়খি। লোয়ননা মীওই অসিনা মহাক্কী মচানুপীবু ব্লেক মেল তৌদুনা মহাক্না নুপীমচা অসিগা খক্তা উনসি নৎত্রবদি নুপীমচা অসিগী ময়ূমদা উনবা লাক্তুনা মহাক্কী মরমদা এক্সপোজ তৌগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি হায়রি।

স্পেসল পি পিনা হিয়ারিং অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না এক্ক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অসিনা নুপীমচা অসিগী ময়ূমদা এপ্রিল ৫, ৬ অমসুং ১৪দা অহুল্লক লাক্তুনা করিগীদমক্তা নুপীমচা অসিনা মহাক্কী টেলিফোন নম্বর ব্লোক তৌরিবনো হায়না হংলখি অমসুং নুপীমচা অসিবু ভি এস আর ত্রষ্ট ফাউন্দেসনগী মখাদা স্পোন্সর তৌরক্লিবা নুপীমচা অসিগী এদ্যুকেসন অদু তোক্লগনি হায়দুনা কিহল্লমখি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা এক্ক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অসি পুলিসনা সিম কার্দ ৩গা লোয়নন মোবাইল ফোন হেন্দসেট ২ অমসুং অধার কার্দ অমগা লোয়ননা ৱিটনেসশিংগী মমাঙদা ফাগৎখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন্দা নুপীমচা অসিবু পুলিসকী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না এগজামিন তৌখি। মতমদুদা নুপীমচা অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) গী মমাঙদা লাক্ত্রিঙৈদা মহাক অমসুং মহাক্কী মমাবু ভি এস আর ত্রষ্ট ফাওন্দেসনগী সেখর কৌবা প্রসিদেন্ট অমনা মহাক্কী ময়ূমদা কৌখি অদুগা প্রসিদেন্ট অদুনা নুপীমচা অসিগী মোবাইল ফোন অদু মঙোন্দা পীনবা হায়খিবগা লোয়ননা এক্ক্যুইজনি হায়রিবা ওজা অসিগা নুপীমচা অসিগগী মরক্তা ৱাটসএপকী খূত্থাংদা তৌনখিবা চিটিংশিংগী মরক্তা খরা দেলিট তৌদুনা ককথৎখি হায়রি। অদুম ওইনমক নুপীমচা অসিগী মায়কৈদগী মরু ওইবা মেসেজ খরদি স্ক্রিন শোট লৌহৌদুনা অতোপ্পা ফোল্ডর অমদা সেভ তৌদুনা থমখি হায়নসু স্পেসল পি পিনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

নুপীমচা অসিবু পুলিসনা এগজামিন তৌবগী মথক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট-১গী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসকী কোর্টনসু সী আর পি সীগী সেক্সন ১৬৪গী মখাদা ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দিং তৌখি। মহাক্কী ষ্টেটমেন্টদা নুপীমচা অসিনা ফোঙদোকখি হায়রিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ওজা অসিনা মহাকপু হরাস তৌখিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী ফোটো ৱাটসএপতা থারক্লবা ফোর্স তৌখি। এক্ক্যুইজ অসিগী নম্বর ব্লোক তৌবগীদমক্তসু থ্রেটর্ন তৌখি। লোয়ননা করিগুম্বা ওজা অসিনা ভিক্টিম অসিবু তোঙান্না উন্নসি হায়বা য়াদ্রগদি মঙোন্দা পীরম্বা মহৈ মশীন তম্বগী থবকশিং লেপ্লগনি হায়না ফাওবা থ্রেটর্ন তৌরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মখা তানা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন্দা এক্ক্যুইজ অসিগী মায়কৈদগী মহাক্কী কি পেদ হেন্দসেটকী নম্বর হায়দোকখিদে হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী টেলিফোন অদুগী সী দি আর এস টি আর লৌনবসু তেংনৌপলগী এস পিদা রিক্যুজিসন তৌখি। অদুগা মহাক্কী মোবাইল ফোনশিংবু নৈলিট, অকাম্পাৎকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টরদা মুখৎখ্রবশিং রিট্রিট তৌদুনা কেস অসিগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা এগজামিন তৌনবা খঙহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক এক্ক্যুইজগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনদি মীওই অসি ওজাগী শিনফম পায়বা মীওইনি। মমাঙথক্তা মহাক্কী ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্টশিং লৈখিদে। কেস অসিদা মহাকপু লান্না চিংশিন্দুনা অমুক শেমদোকপা য়াররোইদবা মওংদা মহাক্কী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবনি। পোক্সো এক্টকী সেক্সন ১১ (৪) অমসুং (৫) গী ৱাহন্থোক্কী মতুংইন্না এক্ক্যুইজ অসিনা ওফেন্স অমত্তা কম্মিট তৌখিদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। লোয়ননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা এস দব্লিয়ু পি সী-১ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা মে ৭, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না অর্নেসকুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ বিহারগী কেসকী মতাংদা পীখিবা গাইদলাইনশিংদুগী ৱাংমদা এক্ক্যুইজ অসিবু ফাজিনবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ১১গী সব-(৪) না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না 'সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট' কী ওফেন্সকী প্রাইমা-ফেসিগী মচাকশিং লৈরে হায়রদুনা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৮গী মতুংইন্নসু ওফেন্স অমা কম্মিট তৌনবগী এটেম্প তৌরকপগী চৈরাক অসি ওফেন্স অদু কম্মিট তৌবগী চৈরাক্কী তঙ্খাই ওইগদবনি হায়বা ওবজার্ভেসনশিং পীরদুনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদু দিসমিস তৌখিবনি। লোয়ননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মে ২৩, ২০২০দা নেসনল এলাইএন্স ফোর পিপলস মুভমেন্ট ভর্সেস ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্রগী কেসকা মরী লৈননা পীখিবা ওর্দর অদুনা তেন্যুর ওফ পনিসমেন্টগী স্পেসল ষ্টেচুদসকী মখাদদি ওফেন্সশিংগী মতাংদা ময়েক শেংবা দিরেক্সনশিং পীখি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা পোক্সো এক্ট ২০১২ নচিংবা স্পেসল ষ্টেচ্যুগী মখাদা লৈবা কেসশিংদদি এপেক্স কোর্টনা মে ২৩, ২০২০ অমদি জুলাই ৭, ২০২১দা পীখিবা ওর্দরশিংগী দিরেক্সন অদুগী মতুংইন্না ক্বান্টম ওফ সেন্টেন্স খক্তদা লেপথোকপা চুল্লোই হায়বা ৱাফমসু স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীখিবা এক্ক্যুইজ অসিগী বেল প্রেয়র দিসমিস তৌবগী ওর্দর অদুদা ফোঙদোকখি।

কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মীহুৎশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌমিন্নরবদি...

লামায় ১গী মখা... থবক তৌবা, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী লৈথোকপা য়ানবা মশা কঞ্জনবগী থবকলোমদা ওইনা তৌনরকপা অসি পেন্দে। অসিগুম্বা মরমশিং অসিনা মাগী-মাগী এ সীশিং অসিদা দিভলপমেন্ট কয়া লৈরক্তবা অসি উবদগী করিগুম্বা অহোংবা অমা পুরক্ত্রগদি য়াররোই খঞ্জবদগী য়াম্না নহা অমা ওইনা ভোট লেপকে হায়বগী ৱাখল্লোল অসি ফাওরকখিবনি। লোয়ননা নহা অমা ওইরবসু হান্না লৈরম্লিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোল হায়বদি ভোট লেপ্পসি অহল খক্তনা লেপক্কদবনি অমদি শেল পায়দ্রদি ভোট লেপ্পা য়াদে হায়বনচিংবশিং অসি হোংদোকপা পাম্বা অমদি মীয়ামদা নহা ওইরিবা ঐখোয়সু শেল য়াওদনা, শেল শুকপায় পায়দনা ভোট লেপ্পা য়াই হায়বসিসু খঙহন্নিংই। পুকচেল শেংনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্মগী মমি অদু হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অমদি মণিপুরগী পুৱারীদা লৈহৌবা পাম্বদগী ভোট লেপকে হায়না চোংথোরকখিবনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি হায়না খনবিব্রা? মখোয়দা করি-করিদি তৌহন্নিংবা লৈবগে? ইরমদম মণিপুর অসিদা সোমনা তৌহন্নিংদবা, উবদা পেঞ্জদবা করি-করি শেমদোক্লিংবশিং লৈবগে?

পাউ : ওজা, লৈঙাক হায়বসি মতম-মতমগীনি হায়বদুনি পাল্লিবা লৈঙাক খুদিংগী মেরিট অমদি দিমেরিট অদুমক লৈগনি। ঙমজবা থবক-থৌরমশিংসু অদুমক তৌরি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ফজ-ফজরবা প্লান অমদি পোলিসি কয়া অমগী মখাদা থবক তৌরি। অদুবু ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা থবক খুতৌ অসিদি তৌহন্নিংদে। তুংদা হেন্না কান্নরক্কদবা, লমদম অসিগী লৈবাক-লৈহাওগা চান্নবা থবকশিং তুংগী মীরোলশিংনা শক্ল-শোন্নহৌগদবা থবকশিং অদুদা পুকচেল শেংনা তৌহন্নিংই।

ৱাহং : কুমজা ২০১৭গী ইলেক্সনদা ভোট কাখিবা এম এল এ খরা দিসক্বালিফিকেসন তৌখিবগী ৱাফম অসিদদি অদোম করি হায়বিনিংই।

পাউ : মসিগী মতাংদদি ঐ থোইদোক্না হায়জ নিংদে।

ৱাহং : করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা হায়বদি মাঙদা থমদুনা অমদি পুখৎতুনা লাম্থেংনগে খনবিরিবগে?

পাউ : ঐ ইশামক হৌজিক-হৌজিক রিপব্লিকন পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট য়ুথকী প্রসিদেন্ট ওইনসু থৌ পুরি। মরম অদুনা ভোট অসি রিপব্লিকন পার্টি ওফ ইন্দিয়া অথৱালেদা অদুমক লেপকে হায়না খল্লি। কেন্দ্র ৬০ লৈবগী মনুংদা সেকমাই এ সীসু খ্বাইদগী শোৎথবা কেন্দ্র অমা ওইরি। মরম অদুনা ঐগী পুখৎকদৌরিবা ম্যেন ইস্যুদি কেন্দ্র ৬০গী মনুংদা খ্বাইদগী শোৎথবা কেন্দ্র অমা ওইরিবসি শেমগৎতুনা য়াইফ-নুংঙাইবা চাওখৎপা কেন্দ্র অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা উহন্নবা হোৎনবা অদুনা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মসিগী পান্দম অসি কেন্দ্র অসিগী মীয়ামগা পুল্লগা তৌগনি।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা সেকমাই এ সীদা অদোম্না ভোট কারবদি ইহান-হান্না মীয়ামগীদমক করম্বা থবক হান্না তৌগনি?

পাউ : তশেংনা তৌনিংবদি কয়া অমনি। অদুবু ঐনা তৌবা পাম্বা থবকশিং অদুদি হৌজিক্কী ওইনা ফোঙদোকচররোই অমদি অদু তৌগনি হায়বনচিংবসু ঐ ৱাশকচরোই। মরমদি ভোট কারবসু মীয়ামগী নিংবা লোয়না থুংনবা থবক তৌবা ঙমগনি হায়বসু লৈতে। অদুবু মীয়ামগীদমক ঐনা তঙাইফদনা তৌগে খনবা থবক কয়া অমদি ভিজন কয়া অমসু লৈরি। মরুওইনা অহানবা ওইনা হ্যুমেন রিছোর্স অসি হান্না ক্বালিটি লৈহন্নবা হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসি য়াম্না শোৎথনা লৈরিবসি করি মরম্না ওইরম্বা য়াই হায়না খনবগে? করি করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি থুনা-য়াঙনা লমদম অসি চাওখৎপা ঙমগনি?

পাউ : য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি ওজা, ঐখোয়গী লমদম অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা হীরম খুদিংদা চাংদম্নরুবা মতমদা শোৎথনা লৈরি। শোৎথনা লৈরিবা অসিগী মরম কয়া অমসু লৈরম্বা য়াই। অদুবু ঐখোয়গী ষ্টেট অসি পোটেন্সিএল লৈতব্রা হায়বদি লৈতবদি নত্তে, পোটেন্সিএল য়াম্না লৈ। অদুবু লৈরিবা পোটেন্সিএলশিং অসি য়াম্না চুম্না ফজনা য়ুটিলাইজ তৌদ্রবা হায়না খল্লি। মরুওইনা ঐখোয়গী কারল্লক্লিবা মীহুৎশিং অসি অয়াম্বনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা থেংনদে। হোয়, পুকচেল শেংনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌনিংবা লুচিংবশিং য়াওদবদি নত্তে। অদুবু অয়াম্বা ফমদোন পাম্বগী ওইনা থোরকপনা অয়াম্বনি। মশা মতিক চাদনা শেল লৈরে হায়দুনা লুপা ক্রোর কয়া-কয়া থাদদুনা ভোট লেপ্পকপা মরম্না পুকচেল শেংলক্তবনি। ভোটতা লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা ভোট কারকখ্রবা মীওইশিং অদুনা লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরাংগী থবক তৌরক্কনি হায়বসিদি থাজনিংঙাই ওইদে অমদি ঐখোয় পুন্নমক্লসু উরবা ৱাফমনি। লমদম অসিগী প্রজাশিংগীসু থৌদাং য়াম্না চাওই। অদুবু হৌজিক্কী ওইনা মণিপুর প্রজাশিং ৱাখল য়াম্না তারে। মশাগী ভোটকী রাইট খঙনরক্লে। মদুনা শোয়দনা চহী খরগী মনুংদা অহোংবা অমদি শোয়দনা লাক্লগনি খল্লি। হৌজিক লমদম অসিদা ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগা য়াম্না য়াঙনা-থুনা চাওখৎপা হায়বদুদি খরা ৱাখিগনি। মতম খরা অদুমক চঙখিগনি। অদুবু পুকচেল শেংনা পুন্নক্না থবক তৌনরক্লবদি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলকপা ঙমগনি হায়না থাজে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি ফনা অমত্তা ঙাঙনদে, অদুবু মীওই খুদিংমক পোলিটিক্সতা থৱায়দি অদুমক য়াওনরি। ফনা ঙাঙনদ্রিবা পোলিটিক্সকী লম্বীদা অদোম্না খোঙ থাংজিনগে খল্লক্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : চুম্মী, অদুবু পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি ফনা ঙাঙনদ্রবসু ফত্রিবা পোৎশক অদু শেমদোক্কে হায়রবদি চঙশিনবা অমা মথৌ তাই। শেল পায়রে হায়না ঐ ভোট লেপকে হায়না থোক্লকপা নত্তে। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অওনবা অমা পুরকমিন্নসি হায়দুনা মীয়ামগা পুন্না হৌজিকসু থবক তৌজরি। পুকচেল শেংনা থবক তৌবা উবা অসিদা পুন্নমক্না হৌজিক অঙম-অঙম্বা মতেং পাংবিরক্তুনা মীয়ামগী থবক থৌরম সোসল ৱার্কর অমা ওইনা থবক তৌবা ঙমজরি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসন কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? চহীনা কয়া শুরবগে অদুগা ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐ হিষ্ট্রি সবজেক্টতা গ্রেজ্যুসন লোইরে। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রবা খুদোংচাদবা খরনা মখাদি তমথখিদ্রে। ঐগী অপোকপগী মীংনা নিংথৌজম রমেশ অমদি ইমাগী মীংনা নিংথৌজম ওংবি রেবেকা কৌই। লৈফমনা ফৈয়েং ময়াই লৈকায়দগীনি।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোটকী মতমদা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি মখোয়-মখোয়গী মেনিসফেষ্টোদা ইরি। অদুবু মায়পাক্লা তৌবদি ইউ উদে পুন্নমক্না হায়নরি। সোমদি মীয়ামগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অদু তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : মেনিফেষ্টো ফোংনরিবসি ঐ চিন থিজগে হায়না ফোংবগা চপ মান্নরে। চঙখিবা শেলশিং অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদগী শকখিবা ৱাশকশিং অদু অয়াম্বা কেন্দিদেটশিংনা মপুংফানা পাঙথোকপা ঙমদবনি। ঐখোয়গী ওইনদি শেলসু পায়দে, মী খুদিংগী শেল ওইনা লুপা ২/২ ফাওবা য়েনবগী ইতিকসু লৈতে। তৌবতবু ঐগী লৈজরিবা, ঐনা মীয়ামগী তৌবা ঙমগদবা থবকশিং অদুখক্তমক মেনিফেষ্টোদা হাপক্কনি। ঙল্লোইদবা থবক্তি, ঙমগনি হায়রোই। ঙমগদবা থবকশিং মেনিফেষ্টোদা হাপক্কদবনি অদুনা চাদা ১০০ থবক ওইনা অদুমক তৌবা ঙমগনি খল্লি। মরুওইনা হ্যুমেন রিছোর্স ক্বালিটি লৈহনবা, লৈঙাক্কী স্কুল ফগাৎহনবা, ৱিমেন্স ইম্পাৱরমেন্ট, য়ুথ ইম্পাৱরমেন্টদনা হেন্না মরুওই ফোকস তৌগনি। অদুগা অতৈদি প্রজা মীয়ামগা তান্নরগা তৌগে খল্লি।

ৱাহং : অদোমগী সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা পোলিং ষ্টেসন কয়া লৈবগে? অদুগা টোটেল ভোটর মশিংনা কয়ানো? এ সী অসিদা মিক্স ভোটর অমদি নন লোকেল ভোটর কয়ামুক লৈবগে?

পাউ : সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা পোলিং ষ্টেসন ৩৮ লৈ। সেদ্যুল কাষ্টকী রিজার্ভ ওইবা মফম অসিদা মিক্স ভোটরশিং খরসু লৈ। টোটেল ভোটর মশিংনা চাওরাক্না মীওই ৩০,০০০ মুক লৈ।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মসিগী মতাংদা অদোম করি হায়বিনিংই।

পাউ : পুকচেল শেংনা হায়রবদা লমদম অসিদা লৈরিবা করপসন অসি চাম্মদা চাম্মা মুখৎপদি ৱাগনি। অদুবু ঐখোয়না করপসনগী চাং অসি য়াম্না হন্থহনবদি ঙমগনি। তৌবতবু করপসন হন্থহনবা হায়বসিদা মীহুৎশিং খক্তনা ঙল্লোই, প্রজা ঐখোয় খুদিংমক পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না অফবা করপসন তৌরোইদবা কেন্দিদেট খনবা মথৌ তাই। অমরোমদা ঐখোয়গী নহাশিং অমদি মমা-মপাশিংনসু শুপ্নগী লৈঙাক্কী থবক তৌবতা খনবা ৱাখল অমদি লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীদনা হেন্না লুম্না লৌবা অসিগুম্বা ৱাখল্লোলশিং অসি থাদোকপা তঙাইফদে।

ৱাহং : লমদম অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনএমপ্লোইমেন্টগী প্রোব্লেম অসি হন্থহনবা অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী লাপ্পা থম্বা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : শুফম-নোমফম লৈশিল্লক্তবা, কা হেন্না ফ্রি ওইরকপা, ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়াম্না লায়না থোঙ্গান-থোঙ্গানদা ফংলকপা অমদি মমা-মপাগগী মরক্তা অফবা মরি লৈরক্তবনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মমা-মপাশিংনা মচাশিংগা অফবা মরি থম্নবা হোৎনহন্নিংই। তোঙান-তোঙান্না থবক তৌরবসু মতম খরা কায়থোক্লগা পুন্না চাক-চামিন্নবা, পুন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি পুন্না চৎথোক-চৎশিন তৌমিন্নবা মথৌ তাই। মীওই খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক তৌবা ওইথোক্লোই। মরম অদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনসু লৈঙাক্কী থবক খক্তা খন্দনা মাগী-মাগী লৈরিবা টেলেন্টশিং অদুদা চৎনবা হোৎনবা ফৈ। লৈঙাক্কী থবক খকনা থবক নত্তে। অতোপ্পা শেল তানবা য়াবা লম্বী কয়া অমা লৈ হায়না ঐনা তাকপি-তম্বিবা মহৈরোয়শিংদসু অদুমক হায়দুনা লাকই। লমদম অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি হৌরক্লিবা নহাশিংদা মানা-মানা পামজবা লম্বীশিং অদুদা মপুংফানা গাইদ তৌবিদুনা মতিক চাবা মী অমমম ওইহনবা ঙম্লবদি খরা ফবক্কনি হায়না খল্লি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা অচৌবা ফেক্টরি, ইন্টরনেসনল মল্টি কম্পনিনচিংবা লিংখৎপা মথৌ তাই।

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2021
For NEET (Medical) Aspirants
Admission form & Prospectus is available Online

- Last Date of Admission : 29th June., 2021
- Class commencement from : 1st July., 2021

For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in

Special Features

- Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
- Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
- Study Materials will be provided.

SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
- Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

FIRST COME FIRST SERVE

HL-B/6999/18,19,21,23&25